**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 22-05-2026)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) মুখ্য মন্ত্রি য়ুমাম খেমচান্দ সিংহনা লমশাং কেন্দ্রদা শাবা অখাম, সলাম অমদি মাকলং থোং ঙসি শঙ্গাখ্রে।

মুখ্য মন্ত্রিনা হায়- থাজনদবা খুদিংমক ৱারী শান্নদুনা খন্নরগা লোইশিন্নবা হোৎনমিন্নশি।

২) বিষ্ণুপুর অমসুং চুরাচান্দপুর জিলাগী তাইনবা মফমশিংদা লৌউ শিংউগী থবক থৌরমশিং পাঙথোকপদা ঙাকশেলগী থবক পায়খৎনবগী মতাংদা ঙসি বিষ্ণুপুরদা মীফম অমা পাঙথোকখ্রে।

৩) এক্তিং লোকেল্লি ফোর গ্লোবেল ইম্পেক্ট হায়বা হিরমদ মালেমগী বাইওলোজিকেল দাইভর্সিতি নুমিৎ ঙসি পাঙথোক্লি।

৪) মণিপুরদা হৌজিকমক্কী ওইনা চাক থোংনবা গ্যাস এল.পি.জিগী অৱাৎপা লৈতে হায়না আই.ও.সি.এল ইম্ফাল দিভিজনেল ওফিসনা হায়রি।

অমসুং

৫) মণিপুর য়াওনা রাজ্য ১০ গী রাজ্য সভা সিট ২৪ গী মীখল জ্ন ১৮ দা পাঙথোক্লগনি হায়না ইলেক্সন কম্মিসন ওফ ইন্দিয়ানা লাউথোকখ্রে।

------

সিএম (এল)ঃ   ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী লমশাং কেন্দ্রগী মনুং চন্না লৈবা অখাম, সলাম  অমদি মাকলং থোং অহুম ঙসি মুখ্য মন্ত্রি-য়ুমাম খেমচান্দনা মীয়ামদা খুৎশিন্নখ্রে।

অখাম ময়াই লৈকাইদা চেল্লিবা নম্বুল তুরেলগী মথক্তা শাবা অখাম থোং, সলাম মমাং লৈকাইদা চেল্লিবা মেরাখোং মথক্তা শাবা সলাম থোং অমসুং মাকলং বজার ময়াদা চেল্লিবা মাকলং তুরেলগী মথক্তা শাবা মাকলং পক্কা ব্রিজ মুখ্য মন্ত্রিনা ঙসি হৌনবী মতুংইন্না শঙ্গাখিবনি।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাংবদা মুখ্য মন্ত্রিনা হায়- থাজনদবা খুদিংমক ৱারী শান্নদুনা খন্নরগা লোইশিন্নবা হোৎনশি। মহাকা হায়- রাজ্য অসিদা লৈরিবা জাতি কাংলুপশিংগী মরক্তা থাজনবা হেনগৎহন্নবগীদমক্তা মহাকপু দাইত্ব শিন্নরকপনি। মরম অদুনা লমদম অসিদা লৈরিবা তোঙান তোঙানবা জাতি কাংলুপশিংনা অমনা অমগী মফমশিংদা অশোই অঙাম য়াওদনা চৎনহনবা হায়বসি মহাক্কী মরুওইবা থৌদাংনি।

থোংশিং অসিনা মীয়ামগী চৎথোক চৎশিন অমসুং পোৎ পুথোক পুশিন তৌবদা চাউনা মতেং ওইরগনি।  লম্বী থোং হেন্না ফগৎহন্দুনা মীয়ামদা খুদোংচাবা পীবা হায়বসি সরকার অসিগী পান্দমনি। মহাকা হায়- লম্বী-থোং ফগৎহনবা অসিনা লমদমশিং অসিগী কৈথেলশিংদা হেন্না খুদোংচাবা পীদুনা শেনমিৎলোন ফগৎহনবদা অমসুং পুন্না চাওখৎমিন্নবদা চাউনা মতেং ওইগনি।

রাজ্যগী পব্লিক ৱার্ক্স দিপার্টমেন্টনা শিনদুনা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা কেন্দ্র অসিগী এম.এল.এশিং- সোরোকখাইবম রাজেন, কে.ঐচ. ইবোমচা অমদি পি.দব্লিউ.দিগী মকোক থোংবা ওফিসিয়েলশিং শরুক য়াখি। থৌরমশিং অদুদা তোঙান তোঙানবা ক্লবশিংনা মুখ্য মন্ত্রিদা মেমোরেন্দম খুৎশিন্নখি। অখাম থোং ষ্টেট স্কিমগী মখা লুপা কোতি ৩ চংনা শাখিবনি। মাকলং থোং, রুরেল ইনফ্রাষ্ট্রকচর দিভলপমেন্ট ফন্দ স্কিমগী মখাদা লুপা কোতি ২ চংনা শাবনি। অদুগা শলাম থোংনা লুপা কোতি অনি চংনা শাবনি।

খেমচান্দ (এল)ঃ মুখ্য মন্ত্রি য়ুমাম খেমচান্দনা ঙসি বরমা-শুগনু রোডকী শেমজিন শাজিল্লিবশিং হকথেংননা য়েংশিনখ্রে। খোঙচৎ অদুদা এম.এল.এ- ডাঃ ৱাই. রাধেশ্যাম সিংহ, পি.দব্লিউ.দিগী চীফ ইঞ্জিনিয়ার চোংথাম বিশ্বচন্দ্র সিংহ, ককচিং দিভিজন পি.দব্লিউ.দিগী ওফিসিয়েলশিং লোয়নখি। খোঙচৎ অদুদা মুখ্য মন্ত্রিনা লম্বী অসিগী মরুওইবা মফম অমা ওইরিবা এলাং খাংপোকপী, সেকমাজিন অমসুং ৱাবগাই বজারগী লম্বী পরিং য়েংশিনখি। বরমা-শুগনু লম্বী অসিনা খা মণিপুরগী মফমশিংগা রাজ্যগী কোনুংগা শমহন্নবগী মরুওইবা লম্বী অমনি। লম্বী অসিদা মীয়াম অমসুং লৌউ শিংউগী পোখোকশিং পুথোক পুশিন তৌবগী মরুওইবা লম্বী অমা ওইরি।

ঐখোয়গী ককচিং পাউমীনা হায়- লমদম অদুগী মীয়ামা চহি ১০ হেন্না শেম্বীরক্ত্রবা লম্বী অসি ক্বালিতি মপুং ফানা শেম্বীনবা মুখ্য মন্ত্রিগী পুকিং চিংশিনখি। মুখ্য মন্ত্রিনসু মীয়ামগী য়াইফনবা থবকশিং কুপা য়েংশিন্দুনা পায়খৎপা য়াবা থবকশিং অথুবা মতমদা পায়খৎলগনি হায়বগী থাজবা পীরমখি।

খোঙচৎ অদুগী মনুং চন্না মুখ্য মন্ত্রিনা শাবা লোইশিল্লক্লবা মীয়ামদা খুৎশিন্নগদবগী ঙাইদুনা লৈরিবা ইমা কৈথেল ৱাবগাই-হিয়াংলম লমখায় বজারগী ফিভমসু য়েংশিনখি।

বিষ্ণুপুর (এল)ঃ বিষ্ণুপুর অমসুং চুরাচান্দপুর জিলাগী তাইনবা মফমশিংদা কালেন লৌরোক্কা লৌউ শিংউগী থবক থৌরমশিং পাঙথোকপদা ঙাকশেলগী থবক পায়খৎনবগী মতাংদা ঙসি বিষ্ণুপুরগী মিনি সেক্রেতরিয়েটতা মীফম অমা পাঙথোকখ্রে।

আই.জি.পি- জোন-টু শ্রী নিংসেন ৱারঙমনা সভাপতি ওইদুনা কনফরেন্স হোলদা পাঙথোকখিবা মীফম অদুদা আই.দি.পিশিং খুন্দা লৈতাহন্নবা অমদি ঙাকশেলগী থৌশিলগী মতাংদা ৱাফমশিং খন্নখি। মীফম অদুদা বিষ্ণুপুর জিলাগী দিপ্যুতি কম্মিসনার পুজা এলাংবম, চুরাচান্দপুর জিলাগী দিপ্যুতি কম্মিসনার ধরুন কুমার, ফিফতি নাইন মাউন্টেন ব্রিগেদ টেকিকেল হেদক্বাটর লৌকোইপাৎগী কম্মান্দর, বিষ্ণুপুর অমসুং চুরাচান্দপুর জিলাগী এস.পিশিং

অমসি সি.ওশিং শরুক য়াখি। মীফম অদুদা জিলা অনি অসিগী এস.পিশিংনা কালেন লৌরোক্না মরী লৈননা লৌউ শিংউগী থবক চথবদা ঙাকশেনবগী তঙাইফদবা মফমশিং পাউদমখি। ওফিসিয়েলশিংগা খন্ন-নৈনবগী থৌরম লোইরবা তুংদা শ্রী নিংসেন ৱারঙমনা হায়- জিলা অনি অসিদা হৌজিক ওইরিবা আইন অমসুং শান্তি রক্সা অমদি সেকুর‌্যিরিতিগী ওইবা থবক থৌরমশিং নিংথিনা পায়খৎনবা হোৎনবদা জিলা অনি অসিগী ওফিসিয়েলশিং মতেং পাংনবগী তঙাইফদবা লৈ।

ইনভাইরোনমেন্ট (এল)ঃ মালেমগী বাইওলোজিকেল দাইভর্সিতি নুমিৎ ঙসি পাঙথোক্লি।

এক্তিং লোকেল্লি ফোর গ্লোবেল ইম্পেক্ট হায়বা হিরমদা ককচিংগী অঙান চীং ইকো পার্কতা পাঙথোকপা থৌরমদা দাইরেক্তোরেট ওফ ইনভাইরোনমেন্ট এন্দ ক্লাইমেত চেঞ্জগী দাইরেক্তর ডাঃ টি. ব্রজকুমারনা হায়- মীওইবা ঐখোয়না মালেম ইমা কন্ননবা করি থবক পায়খৎলি হায়বদু য়েংশিনবা তঙাইফদে। তুংগী মীরোলগীদমক অফবা ঈশিং নুংশিৎ লৈবা মালেম অমা থম্লমবা ঐখোয় পুমমকা হোৎনমিন্নশি ।

থৌরম অসি রাজ্যগী দাইরেক্তোরেট ওফ ইনভাইরোনমেন্ট এন্দ ক্লাইমেত চেঞ্জগী মীৎয়েং মখাদা মণিপুর য়ুনিভর্সিতিগী জ়লোজি দিপার্টমেন্ট, বাইও দাইভর্সিতি ইকোলোজি এন্দ ইনভাইরোনমেন্ট নেটৱার্ক, এল্লায়েন্স ফোর দিভলপমেন্ট অল্টরনেতিভ মণিপুর অমসুং ককচিং পাব্লিক স্কুলনা পুন্না শিনবনি।

থৌবাল জিলাদসু দাইরেক্তোরেট অসিগী মীৎয়েং মখাদা থৌবাল ওক্রমদা লৈবা ৱাইখোম মনি গার্লস কলেজদসু মালেমগী বাইওলোজিকেল দাইভর্সিতি নুমিৎ পাঙথোকখি। থৌরম অসিগী মনুং চন্না ইন্সপয়ার্দ বাই নেচর ফোর ক্লাইমেত ফোর অৱার ফ্যুচর হায়বা হিরমদা নোংমগী ওইবা সিম্পোজিয়ম কম্পিতিসন অমসু পাঙথোকখি।

ইনভাইরোনমেন্ট ইনফোর্মেসন এৱারনেস কেপাসিতি বিল্ডিং এন্দ লাইভলিহুদ প্রোগ্রাম হব মণিপুরনা রাজ্যগী দাইরেক্তোরেট ওফ ইনভাইরোনমে

ট এন্দ ক্লাইমেত চেঞ্জ, মোর্দন কলেজ, ইনভাইরোনমেন্টেল ক্লব, এন.এস.এস. য়ুনিত- ৱান, টু অমসুং আই.কিউ.এ.সিনা শিন্দুনা ইম্ফাল ইষ্টকী পোরোমপাৎতা লৈবা মোর্দন কলেজদা নুমিৎ অসি পাঙথোকখি।

এলপিজি (এল)ঃ মণিপুরদা হৌজিকমক্কী ওইনা চাক থোংনবা গ্যাস এল.পি.জিগী অৱাৎপা লৈতে হায়রি। আই.ও.সি.এল ইম্ফাল দিভিজনেল ওফিসকী দিভিজনেল রিটেল সেলস হেদ কম ষ্টেট লেবেল কোওর্দিনেতর আর.কে. মোহেন সিংহনা সহি তৌবা চেরোল অমনা হায়- রাজ্য অসিগী এল.পি.জি কঞ্জুমরশিংনা য়ারিবা মখৈ দিজিতেল বুক্কিং তৌবা, মীপাইদুনা বুক্কিং হেন্না তৌশিনবা অমসুং পৈশিনদুনা থম্বগী থবক য়ারিবা মখৈ তৌবীরোইদবনি। মহাকা হায়- লান্না বুক্কিং তৌখিবশিং কেন্সেল চৎকনি। চেরোল অদুনা হায়- অচুম্বা কষ্টমরশিংদমক অথনবা গ্যাস ফংহন্নবগীদমক গ্যাস পীবা মতমদা দিলিভরি ওথেন্তিকেসন কোদ রেজিষ্টর তৌরবা মোবাইল নম্বরশিংদা লাক্কনি। কষ্টমরশিংনা অথনবা গ্যাস পীরকপা মতমদতা মখোয়গী মোবাইলদা লাকপা ও.টি.পি পীগদবনি।

মোইবাইল নম্বর- ৮৪৫৪৯ ৫৫৫৫৫ দা মিস কোল পীদুনা বুক্কিং তৌবা য়াগনি। এস.এম.এসকী খুত্থাংদা বুক্কিং তৌনবগীদমক মোবাইল নম্বর- ৭৭১৮৯ ৫৫৫৫৫ দা রিফিল হায়না টাইপ তৌরগা থাবা য়াগনি। এল.পি.জি কঞ্জুমরশিংনা য়ারিবা মখৈ মখোয় মখোয়গী এল.পি.জি দিষ্ট্রিব্যুতরশিংদা চত্তুনা বাইওমেট্রিক আধার ওথেন্তিকেসন লোইশিনবীনবা আপীল তৌরক্লি।

জন ভাগিদারি (এল)ঃ লৈবাক শিনবা থুংবদা চথরিবা ইনফোর্মেসন, ইদুকেসন এন্দ কম্যুনিকেসন (আই.ই.সি) কেম্পেন জন ভাগিদারি অভিয়ান-সবসে দুর, সবসে পহেলে রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা জিলাশিংদা থা অসিগী ১৮ দগী ২৮ ফাওবা চথরি।

কেম্পেন অসিগী শরুক অমা ওইনা দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন তেংনৌপলনা শিন্দুনা লমলোং খুল্লেন ভিলেজ কম্যুনিতি হোলদা জন জাতিয়া গরিমা উৎসব

পাঙথোকখ্রে। কেম্পেন অসিগী শরুক অমা ওইনা তোঙান তোঙানবা বিভাগশিংগী স্কিমশিংগী খুদোংচাবা মীয়ামদা ফংহনখি।

আই.ই.সি কেম্পেন ফেরজোল জিলাদসু পাঙথোকখি। তিপাইমুখ ব্লোক্কী মনুং চনবা পারবুংগী মখাদা লৈবা খুলশিংদসু দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন্না শিন্দুনা জন ভাগিদারি অভিয়ান-সবসে দুর, সবসে পহেলে থৌরম পাঙথোকখি। মদুদা খুঞ্জাশিংদা সি.এম.ঐচ.টি অমসুং পি.এম.জে.এ.ৱাই স্কিমগী খুদোংচাবা ফংহন্নবা অমদি হকচাং চ্যেকঅপ তৌবগী থৌরমশিং পাঙথোকখি।

সেনাপতি জিলাদসু দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন্না শিন্দুনা পুরুল টি.দি. ব্লোক্তা জন ভাগিদারি- সবসে দুর, সবসে পহেলে থৌরম মপুং ফানা চখরি। পুরুলগী এস.দি.ও-বি.দি.ও ওফিসকী কনফরেন্স হোলদা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা ব্লোক অসিগী মীওই ৩৯০ হেন্না শরুক য়াখি। মদুদা তোঙান তোঙানবা বিভাগশিংগী ষ্টোল ১০ হাংবগা লোয়ননা মীয়ামদা সরকারগী স্কিমশিংগী কান্নবগী মতাংদা খঙহনখি।

চুরাচান্দপুর দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন্না জন ভাগিদারি আভিয়ান কেম্পেন সাইকোট সব-দিভিজন, কংভাই সব-দিভিজন, মুৱাল নুৱাম সব-দিভিজন অমসুং সিংনাৎ সব-দিভিজনগী খুলশিংদা পাঙথোকখি। কেম্প মনুংদা লেমা লায়েংবা অমসুং হিদাক লাংথকশিং খুৎশিন্নখি। কেম্প অদুদা পি.এম.জে.এ.ৱাই, চিফ মিনিষ্টরস ৱিদো পেন্সন স্কিম, মণিপুর ওল্ড এজ পেন্সন অমদি সি.এম.ঐচ.টি কার্দকী খুদোংচাবা ফংনবা ফোর্মশিং য়েন্থোকখি।

কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন্না আই.ই.সি কেম্পেনগী ঙসি মরিনি চনবা নুমিৎতা তোঙান তোঙানবা কেম্প অনি চম্ফাই অমসুং বুংতে চিরু সব-দিভিজনদা পাঙথোকখি। কেম্পেন অসিগী শরুক অমা ওইনা তোঙান তোঙানবা কেন্দ্রগী মন্ত্রালয় ১৭ কী মখাদা পায়খৎপা স্কিমশিং মীয়ামদা হেন্না খঙহনবগী থৌরম পাঙথোকখি।

স্কুল (এল)ঃ বোসেম অমসুং কোসেমনা লৌবা কুমশি চহিগী ক্লাস টেন অমসুং তুয়েল্ব পাস তৌরবা মহৈরোইশিংদা মেরিৎ স্কোলারসিপ স্কিম ফোর ষ্টুদেন্

টকী মখাদা স্কোলারসিপ পীগদৌরি। রাজ্যগী ইদুকেসন (এস)কী দিরেক্তরনা থোকপা চেরোল অমনা হায়- গ্রেদ অমসুং রেঙ্ককী মতুংইন্না স্কোলারসিপ ফংগদবা মহৈরোইশিংগী লিষ্ট দব্লিউ.দব্লিউ.দব্লিউ দোট মণিপুর ইদুকেসন দোট গোভ দোট ইনদগী খঙবা য়াগনি। স্কোলারসিপ অসি ফংলগদবা মহৈরোইশিং অমদি কুমজা ২০২৪ গী রিন্যুএলগীদমক দব্লিউ.দব্লিউ.দব্লিউ দোট স্কোলারসিপ দোট গোভ দোট ইনদা এপ্লাই তৌবা য়াগনি। ওনলাইনগী খুত্থাংদা রেজিষ্ট্রেসন তৌবগী অরোইবা মতম চহি অসিগী ওগষ্ট ৩১ নি।

জিরিবাম (এল)ঃ দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন জিরিবামনা শিন্দুনা নুমিৎ নিনি চত্থরকপা জিরিবাম বুক ফিয়ার ২০২৬ ঙসি লোইশিনখ্রে। জিলা অসিগী ইমা কৈথেল অমদি পি.দব্লিউ.দি গেষ্ট হাউসতা পাঙথোকখিবা লাইরিক্কী মেলা অসি মহৈরোইশিংগী লাইরিক তম্বা অমদি কেরিয়র গাইদেন্সতা যুম্ফম ওইখি।

মেলা অসিদা মহৈরোইশিংনা লাইয়েকপা, ৱারী লীবা অমদি দিবেট কম্পিতিসন্নচিংবা কয়াসু পাঙথোকখি। মেলা অসিদা জিরিবামগীতা নত্তনা সিলচরদগী লাইরিক্কী ষ্টোল অহুমসু শরুক য়াখি।

এআর (এল)ঃ অসাম রাইফলসনা ঙসি অমসুং ঙরাং রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা কম্ম্যুনিতি আউটরিটচ প্রোগ্রামশিং পাঙথোকখ্রে। ঙরাং ফেরজোল জিলাগী থানলোনদা মহৈরোই অমদি নহাশিং য়াওনা মফম অদুগী মীওই ২০০ হেনবনা চাওখৎ থৌরাং অমসুং শিক্ষাগী মতাংদা ৱাফম কয়া খন্নখি। ঙসি চুরাচান্দপুর জিলাগী ফাইবেম খুলদা লৈবা হিল একাদমিদা মহৈরোইশিংগা ৱারী শান্নবগী থৌরম পাঙথোকখি। মসিগী শরুক অমা ওইনা নিউ কৈথেলমানবীদা লৈবা অসাম রাইফলস পাব্লিক স্কুলদা যোগগী থৌরম পাঙথোকখি।

কামজোং (এল)ঃ ঐচ.আই.ভি-এইদকী মতাংদা সেল্ফ হেল্প গ্রুপশিং হেন্না খঙহন্নবগী পান্দমদা নোংমগী ওইবা মীয়াম্বু ভাব তাহনবগী থৌরম অমা

ঙসি কামজোং জিলাগী টি.এন.জেদ.এল হোলদা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদু মণিপুর ষ্টেট রুরেল লাইভলিহুদ মিসন কামজোংনা মণিপুর এইদস কন্ট্রোল সোসাইতিগা পুন্না শিনবনি। থৌরম অদুদা সেল্ফ হেল্প গ্রুপ ৭৫ হেন্না শরুক য়াখি। মসিগী মথক্তা ঐচ.আই.ভি টেষ্ট তৌবা অমসুং কাউন্সেল্লিংগী খুদোংচাবসু ফংহনখি।

ইসিঃ রাজ্য ১০ গী রাজ্য সভা সিট ২৪ গী মীখল জ্ন ১৮ দা পাঙথোক্লগনি হায়না ইলেক্সন কম্মিসন ওফ ইন্দিয়া (ই.সি.আই) না লাউথোকখ্রে।

ই.সি.আইনা থোকপা চেরোল অমদা হায়- মীখলগী নোটিফিকেসনননা জ্ন অমদা থোক্কনি। মীরেপ চে পীশিনবগী অরোইবা মতম জ্ন ৮ নি। স্ক্রুতিনি জ্ন ৯ দা পাঙথোক্কনি অদুগা মীরেপ চে লৌথোকপগী অরোইবা মতমনা জ্ন ১১ দনি। ভোৎ জ্ন ১৮ দা থাদনগনি। অদুগা নুমিৎ অসিমক্তদা ভোট মশিং থিগনি।

মথং থাদা মতম লোইরগদা রাজ্য সভা সদস্যশিংগী মনুংদা হান্নগী প্রধান মন্ত্রি-ঐচ.দি. দেবেগৌরা, কেন্দ্রগী মন্ত্রি-জোর্জ কুরিয়ন অমসুং রবনিত সিংহ য়াওরি। মীখল পাঙথোক্কদবা রাজ্যশিং অদুদি- অন্ধ্র প্রদেস, গুজরাট অমসুং করনাতক্কাগী সিট মরি-মরি, রাজস্থান অমসুং মধ্য প্রদেসকী সিট অহুম-অহুম, ঝরখন্দগী অনি, মনিপুর, মেঘালায়া, অরুনাচল অমসুং মিজোরামগী সিট অমমমনি।

কম্মিসন্না মহারাষ্ট্র অমসুং তামিলনাদুগী সিট অমমমগী রাজ্য সভাগী মরক্কী মীখলগী মতমসু লাউথোকখ্রে। মহারাষ্ট্রগী উপ-মুখ্য মন্ত্রি সুনেত্রা আজিৎ পৱার অমসুং এ.আই.এ.দি.এম.কেগী সদস্য সি.ভি. সনমুগম রাজ্য বিধান সভা মীখলদা মায় পাকখিবদগী সিটশিং অসি হাংদুনা লাকপনি। মরক্কী মীখল জ্ন ১৮ দা পাঙথোক্কনি।

অসাম ঃ অসামগী রাজ্যপাল লক্ষমন প্রসাদ অচারিয়ানা হায়রি- রাজ্য অসিগী মহৌশাদগী লৈজরক্লবা হক, চৎন কাংলোন, ত্রাইবেলশিংগী সোসিয়েল ইন্সটিট্যুসন অমসুং য়েলহৌমীশিংগী হক ঙাকা থমদুনা য়ুনিফোর্ম সিভিল কোদ চৎনহন্নবা রাজ্য সরকারনা হোৎনগনি।

হৌজিক চথরিবা ১৬ শুবা অসাম বিধান সভা মীফমগী ঙসি নিনি চনবা নুমিৎতা নৌনা কারক্লবা সদস্যশিংদা ৱা ঙাংলদুনা রাজ্যপালনা হায়- য়ুনিফোর্ম সিভিল কোদকী মরুওইবা পান্দমদি- অসামগী য়েলহৌমীশিংগী তোপ তোপ্পা চৎন-কাংলোন, কলচরেল হেরিতেজ, চপ চানা ঙাক শেনদুনা থম্বা হায়বসিনি। মীয়ামা য়ারিবা মখে কান্নদবদা চাদিং তৌদনবসু মহাকা আপীল তৌখি। ঙরাংদগী হৌখিবা অসাম বিধান সভাগী মীফম পুন্না সিত্তিং মরি লৈগনি। মীফম লাক্লিবা লৈবাকপোকপা নুমিৎতা লোইশিনগনি।

জিবন ঃ লৈবাক অসিদা লৈরিবা সেনিয়র সিতিজনশিংবু মতেং পাংবগী থবক হেন্না মপাঙ্গল কনখৎহন্নবা পান্দমদা জোইন্ট এলদরলি ইম্পৱারমেন্ট এন্দ ভারচুয়েল এসিষ্টেন্স নেটৱার্ক (জিবন) হায়না মীংথোনবা মোবাইল এপ্লিকেসন অমা ঙসি কেন্দ্র সোসিয়েল জষ্টিস অমসুং ইম্পৱারমেন্ট মন্ত্রি ডাঃ বিরেন্দ্র কুমারনা হৌদোকখ্রে।

--হৌজিক শান্নবগী পাউ খ--

ফুটবোল ঃ পি.টি.সি.সি পাৎশোই পার্ট থ্রিনা শিন্দুনা হৌজিক চথরিবা মঙাসুবা ষ্টেট লেবেল ইন্তর ভিলেজ মেন্স ওপন ফুটবোল তুরনামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা হৈঙাং এফ.সিনা নম্বোল এফ.সিবু পাঞ্জল ৯-৩ দা থোইখি।

অতোপ্পা মেটচ অমদা তোস এফ.সি লোইতাংনা টি.পি.ৱাই.পি.এ তৌবুংখোকপু পাঞ্জল ৫-০ দা থোইখি।

------